৩৬শুবা ষ্টেট মেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০

# এ আর পোলো টিম অমদি কে এন্দ এম এম আর এস মায়পাকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসন (এ এম পি এ)না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চথুরিবা ৩৬শুবা ষ্টেট মেন্স পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ আর পোলো টিম অমদি কে এন্দ এম এম আর এস মায়পাকখ্রে।

মেচ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এ আর পোলো টিম অমসুং ক্রিপসা লম্বা তৌনখি। মেচকী অহানবা চরকদা এ আর পোলো টিমগী মায়কৈদগী রিয়াকত অলি জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। ক্রিপসাগী মায়কৈদগী ঐচ রানিসন জর্সি নম্বর ১না পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি।

মেচকী অনীশুবা চকরদা এ আর পোলোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। চরক অসিদা ক্রিপসাগী মায়কৈদগী এল ওলেম্পস জর্সি নম্বর ২দা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা চকর ফাওবদা এ আর পোলো অমসুং ক্রিপসা পাঞ্জল ২-২দা লৈনখি।

মেচ অসিগী অহুমশুবা চকরদা এ আর পোলো টিমগী মায়কৈদগী টি ঐচ সোসান্তা জর্সি নম্বর ২দা পাঞ্জল ২, কে ঐচ সুসিলো জর্সি নম্বর ১ অমদি চন্দ্রকুমার জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমমম চনখি। চকর অসিদা ক্রিপসাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙমখিদবদগী এ আর পোলো টিমনা পাঞ্জল ৬-২দা ক্রিপসাবু হেন্দুনা লৈখি।

মেচ অসিগী অরোইবা অমদি মরিশুবা চকরদা এ আর পোলো টিমগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হাপচিনবা ঙমখিদে। অদুবু ক্রিপসাগী মায়কৈদগী অরোইবা চকর অসিদা চালাম্বা জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল ১খক হাপচিনবা ঙমখিবদগী মেচ অসি এ আর পোলো টিমনা ক্রিপসাবু পাঞ্জল ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

মেচকী অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে এন্দ এম এম আর এস অমসুং মৈরাবা পোলো লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহৌবা চরকদা কে এন্দ এম এম আর এসনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। চকর অসিদা মৈরাবা পোলোগী মায়কৈদগী মোচা জর্সি নম্বর ৩, কৃসিকুমার জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি।

অনীশুবা চরকদা কে এন্দ এম এম আর এসকী মায়কৈদগী জোনি জর্সি নম্বর ৫, সচিন্দ্র জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল অমমম চনখি। মৈরাবা পোলোগী মায়কৈদগী এল মোচা জর্সি নম্বর ৩, এল ধনেশ্বর জর্সি নম্বর ২না পাঞ্জল অমমম চনখি। চরক অসি ফাওবদা মৈরাবা পোলোনা কে এন্দ এম এম আর এসপু পাঞ্জল ৪-২দা মাংজিল থাখি।

মখা তানা মেচকী অহুম অমদি মরিশুবা চরক ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ৬-৬তা লৈনখিবনা এক্সত্রা চকর হাপ্পা তাখি। এক্সত্রা চকর অসিদা কে এন্দ এম এম আর এসকী মায়কৈদগী জোনি জর্সি নম্বর ৫না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী মেচ অসি কে এন্দ এম এম আর এসনা মৈরাবা পোলোবু পাঞ্জল ৭-৬তা মায়থীবা পীবা ঙমখি।

৩শুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০

# পি টি আর সী পাৎশোইনা ঈ এস য়ু ৱাংখৈবু অমদি ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা কে এস দি ও ক্যামগৈবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা লংথবাল স্পোর্টিং ক্লবনা শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৩শুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা পি টি আর সীনা ঈ এস য়ুবু থোইখ্রে অমদি ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা কে এস দি ওবু মায়থীবা পীখ্রে।

মেচকী অহানবা গ্রাউন্দদা পি টি আর সী পোৎশোই অমসুং ঈ এস য়ু ৱাংখৈ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী টোস পি টি আর সীনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি টি আর সীনা বেটিং তৌবদা ওভর ২০ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৩৯ লৌবা ঙমখি। বিদেসনা রন ৫২, সন্তোসনা রন ২৪ অলফ্রেদ হমরনা রন ১৭ লৌখিবা পানবা য়াই।

অহানবা ইন্নিংসতা ঈ এস য়ুনা বোলিং তৌখিবদা সঙ্করনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ২, রোজিৎনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট অমদি হেনরিনা ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা পি টি আর সীনা থল্লবা ১৪০গী টার্গেটতা ঈ এস য়ু না ওভর ২০ মায়োক্লবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৩০ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অসি পি টি আর সীনা রন ৯দা মায়থীবা পীবা ঙমখি। ঈ এস য়ুগী মায়কৈদগী সঙ্করনা রন ৩৭, রোমসোনা রন ৩৭ অমদি চিত্তরঞ্জননা রন ১৬ লৌখিবা পনবা য়াই।

অনীশুবা ইন্নিংসতা পি টি আর সীনা বোলিং তৌবদা জোতিননা ৱিকেট ৫, বিদেসনা ৱিকেট ২, জোনিনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা পি টি আর সীগী বেটচমেন বিদেসনা রন ৫২ অমদি ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবনা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা কে এস দি ও ক্যামগৈ অমসুং ফোর্স ক্ষেত্রিগাও লম্বা তৌনখি। কে এস দি ওনা টোস ঙমদুনা বেটিং তৌখিবদা ওভর ১২গা বোল ৪দা বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইদুনা রন ৫৫খক লৌবা ঙমখি। মদুদা সদামনা রন ১৩, সহজালনা রন ৯ অমদি রফিগনা রন ৯ লৌবা পনবা য়াই। অহানবা ইন্নিংসকী ফোর্স ক্যামগৈনা বোলিং তৌখিবদা অভিনাসনা ৱিকেট ৫, অসারনা ৱিকেট ৪, তামিননা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা কে এস দি ওনা থল্লম্বা রন ৫৬ টার্গেটতা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা ওভর ১৩গা বোল ২দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ৫৯ লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অসি ফোর্সনা ৱিকেট ৫দা মায় পাকপা ঙমখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা ইন্নিংসতা কে এস দি ওনা বোলিং তৌখিবদা সাহনৱাজনা ৱিকেট ২, সাজাহল অমদি লকিস্থুরনা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা ফোর্সকী শান্নরোয় অভিনাসনা ৱিকেট ৫ অমদি রন ৯ লৌবনা তাখি।

অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেশ্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০

# সব জুনিয়র গর্লসকী কাংলুপ্তা দিলিকানা দেবিনাবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা চথুরিবা অহানবা মণিপুর ষ্টেট ইনভাইটেশ্নেল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০ (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স)তা বস জুনিয়র গর্লসকী ৫৩ কে জিদা দিলিকা লেপচানা এম দেবিনাবু মায়থীবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ ঙসিগী শান্নখিবা বাউটশিংদা সব জুনিয়র গর্লস (৪৩ কে জি)দা এন অনিকানা মহাক্কী লম্বা লাক্তবদগী বাই ফংখ্রে। কাংলুপ অসিমক্কী (৪৬ কেজি)দা ইথোইচা, টি রিনা মায় পাকখ্রে। কাংলুপ অসিদা (৪৯ কেজি)দা টি চোংনৈলিং কোম অমদি এম সাগর চনু; কাংলুপ অসিদা (৫২ কে জি)দা মার্ভিলা কোরাং অমদি ঐচ সন্ধিয়া মায় পাকখি।

চেম্পিয়নশিপ অসি ক্লব/ওর্গনাইজেসন/একাদমি ১৫দগী শান্নরোয় ২৭০না শরুক য়ারি। সব জুনিয়ন বোইজ (২০০৮)গীদা শান্নরোয় ২১, সব জুনিয়র বোইজ (২০০৬-২০০৭)গীদা শান্নরোয় ৬২, জুনিয়র বোইজ (২০০৪-২০০৫)তা শান্নরোয় ৫৪, সব জুনিয়ন গর্লস (২০০৮)তা শান্নরোয় ৪, সব জুনিয়র গর্লস (২০০৬-২০০৭)দা শান্নরোয় ৩২, জুনিয়র গলর্স (২০০৪-২০০৫)তা শান্নরোয় ১৩, মেন্স য়ুথ এন্দ ইলাইট (১৯৮০-২০০৩)দা শান্নরোয় ৬০, ৱিমেন্স য়ুথ এন্দ ইলাইট (১৯৮০-২০০৩)দা শান্নরোয় ২৪না লম্বা তৌনরিবা অসিদা জুনিয়র গর্লসতা টি সোফিয়া অমদি এস অথোই (৪৬ কেজি), টি ঐচ তনু (৪৮ কে জি) মায় পাকখি। য়ুথ এন্দ ইলাইট (ৱিমেন)দা গ্রেস অমদি তিংমিলা (৪৮ কেজি), পুজা অমদি ইচল (৫১ কে জি), বিজেতা অমদি সামিন বানু (৫৪ কে জি) অমসুং বিনিতা (৬৪ কে জি) মায় পাকখ্রে।

সব জুনিয়র বোইজ (২০০৮)কী কাংলুপ্তা রিসি (৩১ কেজি), নাওবা অমদি ওবামা (৩৩ কেজি), জেক্সন অমদি সের্তো সৈরেংচুঙ কোম (৪০ কে জি), লানঙম্মা অমদি রিকিমেন (৪৩ কে জি)দা মায় পাকখি।

সব জুনিয়র বোইজ (২০০৬-০৭)গী কাংলুপ্তা নেলসনা অমদি মনিমতুম (৩৫ কে জি), অমর্জিৎ অমদি জেক্সন (৩৭ কে জি), বিকি অমদি এম দি মুজাহিদ (৪০ কে জি) অমসুং এম দি মিরজ (৪৩ কে জি) দা মায় পাক্নুনা মথংগী রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী ৪নিশুবা নুমিৎতা পুন্না বোক্সর ৪৮না সেমিফাইনেলগীদমক্তা লম্বা তৌনরগনি।

২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০

# এন এন সী কে এ নোংগ্রেন, ইমোইনু (এ), এন কে এফ সী নোংঙদা অমদি তেল্লৌ এফ সী মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): ওক্সু নীংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ও এন ৱাই সীগী শান্নবুঙদা চথুরিবা ২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন এন সী কে এ নোংগ্রেননা এস ৱাই দি আই সী শৈজাংবু পাঞ্জল ৪-২দা, ইমোইনু (এ) য়াইঙপোকপীনা এন ৱাই সী নোংদমবু পাঞ্জল ৪-১দা, এন কে এফ সী নোংঙদা কামেংনা আর ৱাই সী রিসোফুংবু পাঞ্জল ৪-১দা, তেল্লৌ এফ সীনা এম ৱাই সীবু পাঞ্জল ৭-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ট্রোফি অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন এন সী কে এ নোংগ্রেস অমসুং এস ৱাই দি আই সী শৈজাং লম্বা তৌনখি। মদুদা এন এন সী কে এনা এস ৱাই দি আই সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখি। এন এন সী কে এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি নাওচা জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল ৩ অমদি সি ঐচ কম্মান্দর জর্সি নম্বর ৪না পাঞ্জল ১ চনবা ঙমখি। মায়োক্লবা টিম এস ৱাই দি আই সী শৈজাংগী মায়কৈদগী টি ঐচ লেম্বা জর্সি নম্বর ৯ অমসুং পি ঐচ সন্তোস জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমমম চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ইমোইনু (এ) য়াইঙপোকপী অমসুং এন ৱাই সী শান্নখি। মেচ অসিদা ইমোইনু (এ)না এন ৱাই সীবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইখি। ইমোইনু (এ)গী মায়কৈদগী রাজু জর্সি নম্বর ১৭না টিম অসিগী পাঞ্জল ৪মক চনবা ঙমখি। অমরোমদা এন ৱাই সী নোংদমগী মায়কৈদগী টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ইদায়া জর্সি নম্বর ১৫না চনবা ঙমখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা আর ৱাই সী রিসোফুং অমসুং এন কে এফ সী নোংগদা কামেং লম্বা তৌনখি। মেচ অসি এন কে এফ সী নোংগদা কামেংনা আর ৱাই সী রিসোফুংবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখি।

এন কে এফ সী নোংগদা কামেংগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি রাজু জর্সি নম্বর ১৫না পাঞ্জল ২, টি বিক্রমজিৎ জর্সি নম্বর ৪ অমদি ও অরাংৱ জর্সি নম্বর ৬না পাঞ্জল অমমম চনবা ঙমখি। আর ৱাই সী রিসোফুংগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা টিম অদুগী রামঙাথিং সিরো জর্সি নম্বর ১২না চনখি।

মরিশুবা মেচ ওইনা তেল্লৌ এফ সী অমদি এম ৱাই সী মোইরাংপুরেল লম্বা তৌখি। মেচ অসি তেল্লৌ এফ সী এম ৱাই সী মোইরাংপুরেলবু য়াম্না চাওনা পাঞ্জল ৭-২দা থোইবা ঙমখি।

তেল্লৌ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি এন অরাকেস জর্সি নম্বর ১০না টিম অসিগী পাঞ্জল ৩, এস নোবেল জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল ২, টি ঐচ বিনোদ জর্সি নম্বর ১২ অমদি এম রাজু জর্সি নম্বর ৩না পাঞ্জল অমমম চনখি। অমরোমদা, এম ৱাই সী মোইরাংপুরেলগী মায়কৈদগী কে তোম্বা জর্সি নম্বর ৪ অমদি এল অমুথোই জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমমম চনখি।

Now Showing - Friends Talkies, Azad Talkies, Indra Thoubal
CONTACT FOR CHARITY SHOW, # 9615553633, 9383219758




HL-B/5952/24dec-10Feb.

নাওরেম রাজনিংথৌ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০

# আর সী এ লিলোং অমদি সাইক্লোন্ন থোইখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শীন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দ, ওরিয়েন্টেল কোলেজ/মোদেল হায়র সেকেন্দরি শান্নবুংদা চথুরিবা অনীশুবা এম এন সী এ য়ু-১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আর সী এ লিলোং অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মখোয় মখোয়গী মেচশিং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা মেচ ওইনা মোদেল হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা পি টি সী সী পোটশোই অমসুং আর সী এ লিলোং লম্বা তৌনখি। মেচ অসি আর সী এ লিলোংনা টোস ঙমদুনা বেটিং খনখি।

আর সী এনা অহানবা ইন্নিংসতা বোটিং তৌখিবদা ওভর ২৭কা বোল ২ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৯ তুদুনা রন ১২৪ লৌবা ঙমখি। আর সী এগী রনশিং অদু ইমরাননা রন ২২, জমিরনা রন ১৫, সেদনা রন ২০ লৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা পি টি সী সীনা বোলিং তৌবদা সেলবন, বোবোসনা অমদি ব্রাইন সনানা ৱিকেট ২/২ লৌবা ঙমখি। সি ঐচ নিখিল অমদি গুংগুংনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা পি টি সী সী পাটশোইনা বেটিং তৌখিবদা ওভর ২৯দা টিম অদুগী বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইরগা রন ১১৬ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অসি আর সী এ লিলোংনা পি টি সী সীবু মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা মেচ ওইনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং ক্রাও লম্বা তৌনখি। অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোননা বেটিং তৌখিবদা ওভর ২০গা বোল ২দা টিম অসিগী বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইদুনা রন ৯৩ লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসকী ক্রাওনা বোলিং তৌখিবদা টি নিখিল অমদি আই নিখিলনা ৱিকেট ৩/৩, জয়হেনবনা ৱিকেট ২ অমসুং প্রকাসনা ৱিকেট ১ লৌখি।

সাইক্লোননা থল্লম্বা রন ৯৪গী টার্গেটতা ক্রাওনা বেটিং তৌবদা ওভর ২৪গা বোল ৫দা বেটচমেন পুম্নমক আউট ওইদুনা রন ৯০ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অদু সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা রন ৩দা মায়থীবা পীখি।

ঐচ নিলকমল মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# য়ু কে সী সী এল , আই পি এম এস সী অমদি ৱাই আই সী মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): দি এস এন্ট্রপ্রাইসনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব (ৱাই আই সী) কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাইনা শীন্দুনা ক্লব অসিমক্কী শান্নবুঙদা চথুরিবা অহানবা হৈস্নাম নিলকমল (মোবি) মেমোরিএল অন্দর ৪০ কে জি ৪-এসাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু কে সী সী এল ওইনাম, আই পি এম এস সী অমদি ৱাই আই সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু কে সী সী এল অমদি অর্বিন্দ এফ সী লম্বা তৌনখি। মদুদা য়ু কে সী সী এলনা অর্বিন্দ এফ সীবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখি। য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী ৱাই সুরিয়ানা পাঞ্জল ২ অমসুং বিক্রমনা পাঞ্জল অমা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা আই পি এম এস সী অমদি টি এস এফ এ লম্বা তৌনখিবদা আই পি এম এস সীনা টি এস এফ এবু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। আই পি এম এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ঐচ ঙোঙোনা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই আই সী লোংজম লৈকাই অমদি ৱাই পি এ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ৱাই আই সীনা ৱাই পি এ সীবু পাঞ্জল ১০-০দা চাওনা মায়থাবী পীখি। ৱাই -আই সীগী মায়কৈদগী এল মার্তিন জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল ৯ চনবা ঙমখি। অদুগা জি সন্দিপ জর্সি নম্বর ১২না পাঞ্জল অমা চনখি।

১৩শুবা ইন্টর শওম্বুং ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০

# পুপুনা রেফ্রি ইভলবেন্টপু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): শওম্বুং ষ্টুদেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুঙদা চথুরিবা '১৩শুবা ইন্টর শওম্বুং ইনভেইটেশ্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা পুপুনা রেফ্রি ইলভেন্টপু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অসিগী হেক হৌবগা টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মেচকী অপীবা মতমদা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈনখি। চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না পেনাল্টি কাওনবদা তাখি। পেনাল্টি কাউনবদা পুপুনা পাঞ্জল ৫ চনখি অদুগা রেফরি ইলভেন্টনা পাঞ্জল ৪ চনখিবদগী মেচ অসি পুপুনা পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীখি।

# রামেসনা চহী ৩৫গী মেন্স সিঙ্গস টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা দি এম কোলেজ কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নরোয় ১০৭না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ৬৪শুবা ষ্টেট মাষ্টর বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা চহী ৩৫গী মেন্স সিঙ্গলসতা এল রামেসনা ইরানজিৎপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা চহী ৩৫গী মেন্স সিঙ্গলস ফাইনেল মেচতা রামেসনা ইরানজিৎপু ২১-১০, ২১-১১দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি। চহী ৫৫গী মেন্স সিঙ্গলসতনা দল্লীয়ু অমুস্নানা এন বিরেনবু ২১-১১, ২১-১৫দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মেন্স দবলসকী চহী ৩৫ কাংলুপকী ফাইনেল মেচতা নিরঞ্জয় অমসুং শ্যামান্দনা লৌখি। কাংলুপ অসিগী চহী ৫০দা রোমেন অমদি শ্যামবুলালনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস (চহী ৪০)দা হোইচাং খোঙসাইনা ইবেমচাবু ২১-৯, ২১-৯দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# থাঙ-তাগী ট্রেনিং কেম্প হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লুপ্না লেপ্তুনা চথুরকপা খোঙজং 'ঐখোয় পুন্না হুইয়েন লানলোং থাঙ-তাগী কাংলোন তম্মীন্নসি' অসিগী ঙসি ইবুধৌ সনথোং অপনবাগী শঙলেন্দদা মৈতৈ ইনাৎ কনবা লুপ অমদি অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লানলোং লুপ (এ এম ঐচ এল এল) অনীনা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ ১০নিগী ওইবা ট্রেনিং কেম্প হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা চুংখাম রনবির, তরুন কুমার, ময়াংলম্বম ইবোমচা, থাংজম রোবিন্দ্রো, গনশ্যামনা থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

# টেন্নিস টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ৩০ (ঐচএনএস): এস ঈ ৱাই ও টেন্নিস কোর্টকী মীৎয়েংখাদা এস ঈ ৱাই ও শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইনা শীন্দুনা ২শুবা ষ্টেট লেভেল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০ লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৬তগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ADMISSION OPEN
লুলেবী
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point

- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Session starting from 6th February, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.
6009103078

HL-P/4570/19-28jan.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com